# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 02-12-2024)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**
**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**
**(তাং ০২-১২-২০২৪, নিংথৌকাবা)**
**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অনৌবা টেকোলোজিনা পীরক্লিবা চৈথেংশিং কান্নবদা ওন্থোকবা হোৎনগবনি হায়না পুলিসশিংদা খঙহন্খ্রে।

২) নেচর বেজ সোল্যুসন ফোর সস্তেনেবিলিতি এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বা হীরমদা মালেমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙরাং গুবাহাতিদা পাঙথোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা এম্পৱরমেন্ট ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ গী নেসনেল এৱার্দ হয়েং য়েন্থোক্লগনি।

**পিএমঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা দিজিতেল ফ্রোদ, সাইবর ক্রাইম অমসুং আর্তিফিসিএল ইন্টল্লিজেন্স টেকোলোজিনা পীরক্লিবা চৈথেংশিং কান্নবদা ওন্থোক বা হোৎনগবনি হায়না পুলিসশিংদা খঙহন্খ্রে।

ৱাফম অসি উরিষাগী ভুবনেস্বরদা পাঙথোকপা ওল ইন্দিয়া কনফরেন্স ওফ দিরেক্তরস জেনরেল ওফ পুলিস অমসুং ইন্সপেক্তরস জেনরেলস ওফ পুলিসকী খন্ন-নৈনবগী মীফম লোইশিনবগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি। প্রধান মন্ত্রিনা

হায়-নুমিৎ হুমি চুপা পাঙথোকখিবা মীফম অসিদা ঙাকশেলগা মরি লৈননা থেংনরিবা খুদোংচাদবা কয়াগী মতাংদা কুপা খন্নখি। শ্রী মোদিনা হায়-পুলিসশিংনা মতমগী ওইবা টেকোলোজি কয়া শিজিন্নদুনা থবক তৌবগী অৱাবা হন্থহন্নবা হোৎনগবনি। নুমিৎ হুমিগী কনফরেন্স অসিদা কাউন্তর টেরোরিজম, লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজম, সাইবর ক্রাইম, ইকোনোমিক সেক্যুরিতি অমসুং নার্কো-টেরোরিষ্টনচিংবা হীরম কয়াগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

মীফম অসিগী ভেলদিক্তরি সেসনদা মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ইন্টল্লিজেন্স ব্যুরোগী ওফিসরশিংদা মেদলশিংসু য়েন্থোকখি।

**ইন্টরনেট (এল) ঃ** রাজ্য অসিগী তম্পাক্কী জিলা মঙা য়াওনা কাংপোকপী, জিরিবাম, ফেরজোল অমসুং চুরাচান্দপুর জিলাগী মফমশিংদা মোবাইল দাটা য়াওনা ইন্টরনেট সার্ভিসতা থল্লম্বা অথিংবা মখা তানা শাংদোকখ্রে। অথিংবা অসি থাগী অসিগী ৫ গী নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মিনিত ১৫ ফাওবা লৈগনি হায়না রাজ্যগী হোমগী কম্মিসনার এন. অশোক কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমদা য়ুম্ফম ওইরগা পামদবা থৌদোক থোক্তনবগীদমক রাজ্যগী হোম বিভাগনা অথিংবা অসি মখা তানা শাংদোকবা খঙহল্লকপনি।

**আর্মি (এল)ঃ** ভারত লান্মীনা শিন্দুনা লল্লাইদা হাংলিবা ইন্টরনেল্লি দিসপ্লেস পীপলস কেম্পতা অনা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু এম.এল.এ খোঙবান্তাবম ইবোমচানা শরুক য়াদুনা হৌদোকখি। পুন্না আর্মি ডোক্তর ৬ না চথখিবা লায়েংবগী কেম্প অদুদা পুন্না মীওই ৪৫০ রোম হকচাংগী অনাবশিং য়েংবা লাকখি।

**এআর(এল)ঃ** চান্দেল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা মোলাংহাট খুলদা অসাম রাইফলস অমসুং খুঞ্জাশিংগা লোয়ননা স্কৱার কিলোমিতর ২ মখায়রোমদা থারম্বা পোপী পান্বীশিং য়াম্থৎতুনা মাংহনখ্রে। মখা তানা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী মনুং চন্না লৈবা নিউ কৈথেলমানবীদসু ঐচ.আই.বি.এদসকী মরমদা মীয়ামবু ভাপ তাহনবগা মরি লৈননা অৱারনেস লেকচরগী থৌরম অমসু পাঙথোকখি।

**থৌবাল(এল)ঃ** খুল ঙাক্লিবা মীওইশিংগী মথক্তা তোঙান তোঙানবা মরাল শিরদুনা এন.আই.এনা এফ.আই.আর পান্দুনা ফানবা হোৎনরিবা খোঙথাং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙরাং নুমিদাং থৌবাল জিলাগী মনুং চন্না লৈবা নুংগৈ, কিয়াম ৱাংমতাবা, থৌবাল ৱাংমতাবা, থৌবাল মেলা গ্রাউন্দ, থৌবাল অথোকপম, ৱাংজিং বজার অমসুং সলূংফম ময়াই লৈকায়দা মৈরা পায়বী ইমা ইবেলশিংনা খোল্লাউ লাউদুনা খোঙজং চংশিনখ্রে।

**স্পোর্টস**ঃ গৌহাতিগী ইন্দিরা গান্ধি এথলেতিক ষ্টেদিয়মদা নবেম্বর ২৭তগী হৌদুনা পাঙথোক্লিবা অহানবা নোর্থ ইষ্ট পেরা স্পোর্টস মিটকী নুপাগী সিঙ্গল বেদমিন্টন্দা রালপি অংরুংখামনা সনাগী তকমান ফংলকপবু ওল মরিং স্পোর্টস এসোসিএসন(অমসা)গী মাইকৈদগী থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

**গুৱাহাতি ঃ** নেচর বেজ সোল্যুসন ফোর সস্তেনেবিলিতি এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ হায়বা হীরমদা মালেমগী ওইবা খন্ন-নৈনবগী মীফম অমা ঙরাং কেন্দ্রগী তেক্সতাইলস মন্ত্রি গিরিরাজ সিংহ অমসুং তেক্সতাইলসকী রাজ্য মন্ত্রি পবিত্রা মার্ঘেরিতানা শরুক য়াদুনা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসি তেক্সতাইলস মন্ত্রালয়গী মখাদা নেসনেল টেকিকেল তেক্সতাইলস মীসন অমসুং ইন্দিয়ন জ্যূট ইন্দষ্ট্রিজ রিসর্স এসোসিএসনগা খুৎশমদুনা শিনবনি। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা কেন্দ্রগী মন্ত্রি গিরিরাজ সিংহনা হায়-মালেমগী ওইনা থেংনরিবা খূদোংথিবশিং মরু ওইনা

অকোয়বগী ফীভম মাংথরকপা অমসুং অইং অশাগী খল কাইরকপনচিংবা অসি থেংননবা হোৎনবদা মহৌশাগী ওইবা পাম্বৈশিং শিজিন্নবগী মরু ওইবা কয়া মরুম লৈ। মহাকা হায়-সরকার অসিনা তেক্সতাইল য়াওনা অতৈ লম কয়াদার তুং কোয়বা থৌরাংশিং চৎনহন্নবা পান্দম থল্লি। মীফম অদুদা তেক্সতাইলসকী রাজ্য মন্ত্রি পবিত্রানা গ্লোবেল সস্তেনেবিলিতি এজেন্দা অসিদা ভারতকী অৱাং নোংপোক্কী লমশিংনা অখন্নবা থৌদাং কয়া লৌরি হায়না ফোঙদোকখি।

**অসামঃ** কেন্দ্রগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট মন্ত্রি অন্নপুর্ণ দেবীনা শরুক য়াদুনা অসামগী গুৱাহাতিদা পোসন ভি পরাই ভি গী থৌরম ঙরাং পাঙথোকখ্রে। থৌরম অসি অসাম সরকারগী ৱিমেন এন্দ চাইল্ড দিভলপমেন্ট বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মন্ত্রি অন্নপুর্ণ দেবীনা হায়-পোসন ভি পরাই ভি গী খুৎথাংদা পীক্লিবা অঙাংশিংবু অঙনবা মতমদগী হৌনা লাইরিক লাইশুগী লমদা মাংজিল থানবা বিভাগ অসিগী মন্ত্রালয়গী ৱাফম মীয়ামদা ফোঙদোকখি। মন্ত্রিনা হায়-পোসন ভি পরাই ভিগী থৌরম অসি চহী ৩ দগীনা ৬ ফাওবা লৈরিবা অঙাংশিংবু অৱাং থাক্কী মহৈ মশিং তন্বীবদা য়ুমফম ওইবনি। মহাকা হায়-অসামদগী মাষ্টর ত্রেনর লিশিং ১,৬০০ য়াওনা তোঙান তোঙানবা রাজ্য ৩৫ দগী মাষ্টর ত্রেনর লিশিং ২১,৭৭২ অমসুং রাজ্য ২০ দগী অঙ্গনৱাদি ৱার্কর লিশিং ৪২,৩০৮ ইন্নিসিএতিভ অসিগী মখাদা ত্রেনিং পীরি।

নুপীশিংদা অহেনবা শক্তী পীবগী মতাংদা পল্লদুনা মন্ত্রিনা হায়-নেসনেল রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা অসামদগী নুপী লাখ ৪৩ য়াওনা লৈবাক অসিগী নুপী কোতি ৩০ রোম মশানা হিংনবগী লন্বী শেমজবা ঙল্লে। থৌরম অদুগী মনুং চন্না মন্ত্রিনা রাজ্য থাক্কী মাষ্টর ত্রেনরশিংদা সর্তিফিকেটসু য়েন্থোকখি।

**মুরমুঃ**রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুনা এম্পৱরমেন্ট ওফ পর্সন্স ৱিথ দিসএবিলিতিজ গী

নেসনেল এৱার্দ হয়েং য়েন্থোক্লগনি। হয়েং পাঙথোক্কদৌরিবা মালেমগী হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবশিংগী নুমিৎকা মরি লৈননা লৈবাক অসিগী মীওই ২২ অমসুং ইন্সটিট্যুসন ১১ দা নেসনেল এৱার্দশিং খুৎশিন্নগনি। সোসিএল জস্তিস অমসুং এম্পৱরমেন্ট মন্ত্রি ডা.বিরেন্দ্র কুমারনা হকচাংগী ফীভম মীমান্নদ্রবশিংগী তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাং কয়াসু হৌদোক্কনি। সর্ভশ্রেস্ট দিবিয়াংজন-২০২৪গী ইন্দিভিজ্যেল একশলেন্সকী মনাশিং চাদা ১০০ মীৎ উদ্রবা আইনগী লমদা থবক তৌরিবা অমর জেনদা পীরগনি অমসুং 'রেম্প মাই সিতি'গী ফাউন্দর চাদা ৭৫ লেং ওৎপা ঙমদ্রবা প্রতিক খন্দেলৱালদা পীরগনি।

**--পাউ লোইজরে--**

**---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---**

খুল ঙাকপশিংগী মথক্তা কেস লৌখৎলকপগা মরি লৈননা পাক শন্না খোঙজং চংশিনখিবা, মণিপুরগী ইরাংনা অসামদা শাফু পীরগনি হায়না অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ট বিস্বানা ফোঙদোকখিবা ৱাফমনা ঙসি ইম্ফালদা ফোঙবা পাউচে অয়াম্বগী মরু ওইবা পাউ ওইনা ফোঙনরি।

ইচেল এক্সপ্রেসতা-খুল ঙাকপশিংগী মথক্তা এন.আই.এনা কেস লৌখৎলকপগী মায়োক্তা পাক শন্না খোঙজং চংশিনখ্রে। খুল ঙাকপশিংগী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চত্থদুনা ফাননবা হোৎনবগী থৌশিল খুদক্তা লেপকদবনি-হায়না মীয়ামা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক পীপলস ক্রোনিকল পাউচেদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মণিপুরগী ইরাংনা অসামদসু চৈথেং ফংলকপা য়াবনা অসাম বোর্ডরদা সেক্যুরিতি কনখৎহনখ্রে-হায়না অসামগী মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ট বিস্বা শর্মনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম মণিপুর নিউজকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিমক্তদা জিকে পীলাই মশানা হোম সেক্রেটরি ওইরিঙৈ য়ু.পি.এ সরকারনা কুকি মিলিটেন্টশিংগা সু সাইন তৌনখিবনি হায়বসি কাউদবা ফৈ হায়না মৈতৈ লীপুননা থমখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

লূপা কোতি ৮০০ চংনা অৱাং নোংপোক্তা লৈবা টুরিষ্ট সাইট ৮ শেমগৎকদৌরিবা অসিদা মণিপুরগী লোক্তাক পাৎ য়াওরক্লে হায়বা পাউ-পোক ফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিমক মোর্নিং বেলদসু-অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সনালৈবাক পাউচেদা-খ্বাইরম্বন কৈথেলদা কমলবাবুগী জে.এ.সিগী মীফম পাঙথোকহনখিদ্রে । ইন্দিয়ন আর্মিগী চথোক চৎশিনগী লম্বী ঙসিদগী থিংলগনি হায়না জে.এ.সিনা থমখিবা ৱাফম-অহানবা হেদলাইন তৌরি।

লাঞ্জেন্নরবশিংনা শাবা লাইধি মালেমগী কৈথেলদা ফংহল্লি-হায়বা পাউ সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা ৱার্ল্ড এদস ডেগী থৌরম পাকশন্ন পাঙথোকখ্রে, হৌজিক থোক্লিবা ইরাং মনুং অসিদসু দ্রগ শিজিন্নবগী চাংদি ৱাংলি হায়না কাদাগী জেনরেল সেক্রেটরি গিটচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউচে অসিমক্তদা-নাগানা নমা তাবা ইন্দো ম্যান্মার ঙমখৈদা বোর্ডর ফেন্সিং খাবগী থবক য়াবা ঙল্লোই হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা কমলবাবু মাংখিবগা মরি লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিনা সেকমাইদা আর্মিগী গারিশিং থিংবা হৌরগনি অমসুং কাংপোকপী, চুরাচান্দপুর হায়ৰেদা থল্লম্বা অথিংবশিং আর্মিনা লৌথোকখ্রে হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কমলবাবুগী লংলা লংজিল ঙরাং নুমিৎ ৭ নি শুরক্লবা ফাউবদা ফংখিদ্রি, ঙসি অয়ুক্তগী আর্মিগী মায়োক্তা হেন্না অকনবা খোঙজং চংশিনগদৌরি-হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

দিষ্ট্রিক্ট এদস প্রিভেন্সন এন্দ কন্ট্রোল কম্মিতি তমেংলোংনা শিন্দুনা তমেংলোংগী সি.এম.ও ওফিসতা ৱার্ল্ড এদস ডে ২০২৪ পাঙথোকখিবগী পাউ-গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং তাইমসতা কোসেমনা লৌবা ক্লাস টুয়েল্বকী পরিক্ষা মথং চহীগী ফেব্রুৱারি ১৭তগী হৌরগনি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।